# ‘ইরৈবাক কন্নবা পূন্নমক লান্মী ওইবা তারকই’



ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র

মণিপুর লোইরে। লোইরে হায়হৈদে লোইরে। চাওখৎলে হায়রিবা ঙসিগী মালেমসিদা অসুক তমথীবা মীহাৎ পনবা ফাওবা ঙমজদ্রে থম্মোয় শোকমনখিবনা। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং অসিগী ৱাখল্লোনসিবু করিনো, মায়োক্নবা লানফমদা খূৎলায় পায়বা মশেল হাৎনবনা অমনি। মদুসু খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবদি ঙাকপীনরিবনি, কনবীরিবনি। মদুসু নত্তবা করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং অমসুং মীচম নুপীশিংদা অসুক তমথীবা লীচৎ। শাগী পুকচেল চেনবা কাঙলূপনি মখোয়সি। মখোয়দা মীনুংশি লৈতে। ধর্ম্ম চেন্দে। মী ওইনা পোক্লগা মীদি নত্তবা শাগী পুকচেল চেনবা কাঙলূপনি মখোয়সি। মখোয়সু লাইদি নীংলমগনিকো। মখোয়না নীংলিবা লাইদুনা করম্বা মখলগী লাইনীংনো। খল্লুবদা খনফম খঙদে।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান থা ১৯ চঙশিল্লক্লে। মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈশিংনা অৱাবা তারি। মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনবু ওইরো, য়ুনিয়ন টেরিটরিবু ওইরো ওইনীংবা ওইরো য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা মরী লৈনবশিংদা তাল্লুরো, মীতৈ মীচম মীয়ামদা করিগী ওনশিল্লকফম থোকপগে। অমরোমদা ঈরাংদু হৌরকপা মতমদা সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈখি হায়দুনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মকোক্না হায়খি। থোকখ্রবদি থোকখ্রেদনা ঈরাংসে অদুদি অকনবা এক্সন লৌখৎতুনা লাকশিল্লোদনা, মদুসু তৌদে। ঈরাংবু অসুক কুইনা শাংথনা থোকহল্লিবসিবু করিগীনো? ষ্টেট ফোর্সনা নীংথিনা ওপরেট তৌদুনা এক্সন তৌবদবু করিগী ঈরাং লাকশিনবা ঙস্লোইদৌরিবনো। ফরেনে ষ্টেট ফোর্সনা ঙমদ্রে হায়রসিনে অদু ওইরবদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মতেংনা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স ময়ামসিনা লাকশিনহল্লোদনা মদুসু তৌদে। ষ্টেট লৈঙাক অমা লৈবগী ঙাকপী-শেনবীবসু নীংথিনা লৈতবা মসিদদি লোইজি লোয়াদা লৈবা মীতৈ মীয়ামগী পূন্সি করম্না হিংগনি। অমুক্তা খন্থবীয়ু লৈঙাক্কী লুচিংবশিং, লৈঙাকপশিং।

লান লোইদ্রি। লান লোইখিরোই। তত্তনা হায়দুনা লাকই মীয়াম্না মরমদি লান লোইশিন্নবগী অকনবা থবক থৌরম, পোলিসি প্রোগ্রাম অমত্তা পায়খৎতে অদুনা করম্না লান লোইশিল্লক্লে, ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়বা য়াদৌরিবনো। কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ, বোম কাপথরকপা হেক-হেক ঙাইহাক লেপ্পগা ঈং-তপ্পা তপ্না-তপ্না হঞ্জিল্লক্লে হায়না ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদা হেক-হেক হায়দুনা লাকখিবদাই। অসোমদনা কুকি টেররিষ্টশিংনা অনৌবা বেটচকী তমথীবা নহাশিংদা ত্রেনিং পীরম্বসু য়াই, অনৌবা লাল্লোং তম্বীরম্বসু য়াই, কনানা খঙগনি। মখোয়গীদি লেপ্পা লৈতনা মীতৈদা লান্দাবনি, মণিপুর মৈ হৌনা চাকহনবনা পান্দমনি। অমুকসু ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হেক হেক হায়বা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা তত্তনা পাউ ফাওনরি কা হায়বদো। সেন্টরনা লূম্না লৌবীরি, মণিপুরগী ঈরাংবু মুন্না য়েংশিনবীরি, লূম্না লৌরিবা মুন্না য়েংশিনবীরিবসিবু করম্বা খূৎয়েংনো। ‘সনি দেব’ না মুন্না য়েংশিনবগী মীৎয়েংদুরো। মণিপুরদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না য়েংশিনবীরিবসিবো। অশিবা, মীওৎ-মীনৈ কয়া শুরবগে, মীহাৎ থীনা হাৎপা কয়াম য়াওরগে হায়দুনা রিপোর্ট লৌরিবরো।

ঈরাং থোকপা হেক হৌরকপা মতমদুদা কুকি নুপী অনীগী নেকেদ পেরেদতুদদি ইমাইপেম্মা লৈবাকসি পুঙজাও থিনবদগী হেন্দোক্তুনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকহনখি। মীতৈশিংসি য়াম্না চাওখৎতবা ফূরুপ অমা ওইনা উহন্নবা শিনখি। কোন্নবুদি তপ্না-তপ্না মীতৈগী মশক খঙলকখি। ইচুমদা চুম্না অরানবা তাহল্লিবা মীতৈশিং মশাগী মরমদমদা অৱাবা কয়া নংলি। অসুক ৱাবসি অদুঙৈগী চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদুদা মীতৈশিংনা নংখিবা অৱাবদুগী হেক ঙমথংনি। তাইবঙ মীরোল তাদ্রিবা অঙাং হাৎলে, নুপীগী ঈজৎ মাঙহল্লে অদুগা তমথীনা হাৎলে, হিংনা-হিংনা মৈনুংদা লংশিন্দুনাহাৎলে মসিদগী হেন্না তমথীবা করিবু লৈরিবগে।

বি জে পনা লুচিংলিবা এন দি এ লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী লৈমাইদগী টেররিজম মরূ ফংনা মূথৎকনি হায়বদাই। মণিপুরদা থোক্লিবসিদি করিনো? মসিদি টেররিজম নত্তবরা? টেররিষ্টশিংগী তমথীবা টেরর এটেকতা মীতৈ মীচম কয়া শিখ্রবনি। ড্রোন বোমিং ফাওবা তৌখ্রবনি। রোকেট বোম ফাওবা কাপথরক্তুনা মীচম মীয়াম হাৎখ্রবনি। পূন্নমকসিবু খঙশিন উশিন্নদনা কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌবা টেরর এটেকপু মীতৈনা তৌবা ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবা অমসুং ড্রোন বোমিং তৌই-তৌদে, রোকেট বোম কাপ্পী-কাপ্তে হায়দুনা য়েৎনরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক মকোক থোংবা আর্মদ ফোর্সকী লুচিংবশিং অসিনা মণিপুরগী মীতৈশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েংসিবু করিনো?

মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা লাকপদা অমসুং কায়হন্দনা থম্বদা মীতৈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খঙলমগনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা তিনখিবনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা ইংলিস ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী মতেং লৌনবা ত্রিটি সাইন তৌনখি। মদুমক্না ইন্দিয়ানা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লেপত্রিঙৈদা মণিপুর নীংতম্না লৈরম্লে হায়বসি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা কাউদবা ফৈ। মণিপুরদা থোক্লিবা লান য়ুনিয়ন লৈঙাক্না খঙশিন উশিন্নদনা লৈরি। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লানসিনা মরম ওইরগা শেৎন-খাইনবগী মীকপ মীরাওখোলনা মণিপুরসি নিল্লে। অমুকসু নহাশিংগী মায়কৈদগী লমন খুন্নিংবনা মশা পূম্বা থক-থক নীক্নরে। অসুম্না কয়াম কুইনা মীতৈশিং খাঙদুনা লৈখিগনি। ঈরাং য়ৌদবা তম্পাক্লম ইম্ফাল ময়োল কৈদৌঙৈ নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারক্কনি তম্বা, হায়বা ঙম্বা নত্তে। ইমুং অমদা তারিবা অৱাবা দশা হয়েংনা অমুক কনাগী ওইগনি। মশাগী মরমদমদা য়েংশিনবীনবা, ঙাকপী শেনবীনবা লৈত্রবা মীতৈশিংগী তুংগী লাইবক করি ওইগনি খল্লুবদা মম্মী।

লোইশিল্লকপদা মীতৈশিংগী তুংগী লাইবক অতিয়াদা লমজিংবীনবা ‘শজিক থবা’ কনাসু উদ্রে। মীতৈ খুন্নাই মপী-মপা লৈতরে। মপী-মপা লৈত্রবা মীতৈশিং নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী চাকথাক নোংম-নোংমগী পালি পুনবগী ফীভমদা লাক্লি। ফীভম অসি য়ৌরবদি নুপা-নুপী খুদিং লান্মী ওইদুনা ইরৈবাক ইরমদম কনবগী খোঙজং চঙশিনবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘লুচিংবা য়াওদ্রবা লানবুংসিদা’



\- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

*“থিঙেন থিংবা ঙমদ্রগা নাশিখোংদা তায়নৈ। থবক হৈত্রগা খূৎলায়দা তায়নৈ। লৈবাক ঙাকপা হৈত্রগা নেটতা তায়নৈ। ঈহৌ হৌবা হৈত্রগা লম্বীদা তায়নৈ। লুচিংবা য়াওদবা ৱাথোক্তি লান নত্তে য়ুরান্নি। মৈ য়াম্না থারিবসি মীয়ামসি য়ুরানগী থাক্তগী হেন্দ্রি খনবৈরা? খন্নবা কোক পাল্লিবসি লৌথোক্লগা কদায়দনো অমা থম্নবগুম তৌরি। লাল্লক্তা ফম মুন্নবসি মৈ চাক্লিবা মীয়ামদা মৈচাক হাপ্পবা ঘী হৈবনি।”*

ঙসিগী মণিপুরদা থোক্লিবসি লান হায়বদুদি হায়নীংদ্রে। লানসি মায়কৈ অনীদুনা ঙমজবী থৌরাং পায়খৎলগা খূৎ থানবা ওইগদবনি। হৌজিক থোক্লিবা থৌওং অসিদি অমবু মখোঙ মখূৎ পুনশিল্লগা অমনা পংফূদা ফূহনবনি। চৈনা খাঙবা ওইনা পুনবীরবা মীশক অদুনা অঙম্বা খরা ঙাকথোকচবতনি। মসি মালেমগী মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবীনবা মীচং লৈজদবগী লাইবক থীবদুনি উরিবসি। মীয়ামসিনা কপ্লিবা, লাউরিবসি পেন্দবদগী তৌফম খঙদবা মতৌনি। মীচং অমত্তা চঙনদনা ঙমজবী থাদুনা লম্বা তৌনহনবীরবদি তৌফম খঙদনা কপ্লিবা মীয়াম মখয়াৎ পেন্না নোক্লমগনি, অৱাংবা চীংদোন কয়া মপুগী ফিরান্না পোপীগী মহুৎ শিল্লমগনি।

লুরিবসি হৌজিক্কী ৱাথোক অসিদি চীনগা খূৎকা মান্নদবা শক্তি অমগী মনুং-মপান নায়বা দ্রামা অমনি হায়বসি মীয়াম অসিনা খঙই। মসিদি মীয়ামসিনা করিসু তৌবা য়ারোইদবা দ্রামা অমনি। ঐখোয়গী নীংতম্বা মাঙখ্রে হায়বগী নাখৈ শেংবা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা চৎলিবশিং অসি ঙসিগী লৈঙাক্না লোইশিনবা পাম্মী। মসি ময়েক শেংবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। কুকি ফত্তবশিং খোই নৎত্রগা চৈ ওইনা শীজিন্নরগা য়েলহৌমী মীয়ামদা কায়হৌই। লৈবাক মাঙবা য়ারোইদবা, মরৈচাগী পীরাং তৈথোক্লবা লৈরিবশিং শাফোংলকপদা লোংউপ্না উপ্তুনা ফাদৌরি। লাংদা থুহল্লগা ফাদৌরি। ফাবা লোইরগা খোয়সু, লাংসু লংথোকখিবা য়াই। মসি ঐখোয়গী মীয়ামদা খঙহন্নবা লুচিংবদি লৈত্রি। মীয়ামদি তৌফম খঙদদনা লম্বী থিংই। য়ূম থুগাই। হৌজিক্কী ৱাথোকসিদা শো তৌবগা থবক তৌবগা অনী থোকই। লানবুংদা সেলফি নম্লগা থাগৎপা, লান চঙবদা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌরিবা মসি শোনি। ফেসবুক্কী পণ্ডিট, ৱাটসএপকী মায়চৌ, রিলগী সিলেব্রেটি, ভাইরেলগী ভাইরস পূন্নমক শোগা লোয়নবা লৈবাক নিকপশিংনি। মীওইশিংসি মশাগী একাউন্ট গুগলনা মোনিটাইজ তৌরগা গুগলনা থা অমগী মনুংদা তাং ২১দগী ২৫ ফাওবদা শেল থাজিনবীরিবা ৱারেমলোয়না মশীং হেল্লি। মখোয়দি ঈরাং চাওথোক্লগা হেন্না শেল থোকই। অমম্বদা চৎলিবা মীয়াম সোসল মীদিয়াগী ঈপাক্তা ঈরাক্নে। ফীভমসিনা তৌফম খঙদদনা নেট থিংই। তৌবতবু নেট থিংবনা দিজিটেল ইরাসিদা লুপা ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা মাঙই হায়বসিদি কুৎ য়োৎলগা খনবীরবদি নেট থিংদবনা শেম্নীৎলোন্দা খিত্তং য়াইফহনগনি খনবীবদি কমদৌই। ফত্তবা হুরানবদো ফত্তবগী ঐনা নৎত্রগা মীনা খরা ফূবিরবসু হুরাল্লুরিদো পুশিল্লকপনি হায়বসু ঙাইহাক খন্নবা য়াৱা?

অমরোমদা, থিংবগা নীবগদি ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চত্থরকপা প্রোসেসনি। অতৈ হৈতে। নিবসিদি থায়নদগী চত্থরকপা পুৱারী ওল্লবনি। খোঙজংসি অনৌবা খরা সিলেবসতা হাপ্পনা ফৱা? অঙাংশিংবু স্কুল, কোলেজগী থৌরম নৎত্রগা লম্বীগী সোসল সর্ভিসনচিংবা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনদবসু ফিরাল মচা নৎত্রগা কার্দ মচা পায়রগা নাকথেং তৌই। পীয়ু য়াদবদা লম্বী থিংই। খিত্তং কনশিনবা খোঙজংনা মৈ থাগনি। নূঙ পায়রগা নোংমৈ পায়বদা থাগনি। নোংমৈসি কাপথোরকপদা মঙোন্দগী থোরক্কদৌবদো নাওরি মরূ নৎত্রগা নূঙদগী হেন্না মহু পুবনি ইখন-খন্থনদে। লম্বীদা মৈ থারিবশিংদুদি ম্যুনিসিপাল্লিটিনা লৌখৎপীদ্রবা পোৎথী পোৎকুম্না অয়াম্বনি। কোয়লাস খরা শোকচরবসু মৈ থাদোকপদা থোইনা মাঙদে। ফুরা দলান মৈ থারগা করিগীনো য়ূম মনুংদা চেনশিনবা হানবা তান্নদোইসে। সিলিন্দর পোকখায়রকপদা পান্নবরা? নৎত্রগা অচাকপা য়ূম মনুংদুদা মৈ থারিবশিংগী মরু ওইবা করি চিথ-নান্থবা থিনরিবনো?

ঐখোয় পূন্নমক্কী ইস্কোলদি চেকপল ৱাংনা খাগৎনরি। থোঙ চাউনা পান্নরি। মনুংদা ছো লোল্লগা নাখোক্তুনা তূম্নরি। মসি ঐখোয়গী ত্রেদিসন ওনখ্রে। লৈবাক্কী ঙমখৈগী নোংমতা খল্লুদে। খনফম থোকপসি কনানো? ভোটরশিংনা লুচিংবা খনবগী মথৌ তৌই। লুচিংবনা লৈবাক ঙাকপগী থবক তৌগনি। লুচিংবশিংনা লৈবাক ঙাক্লিবরা, ইস্কোল ঙাক্লিব্রা। ভোটর ঐখোয়না ৫০০/১০০০ দা য়োল্লুরবনিনা ৱাহং হংলুবা ঙম্নদে। অমসু-অমসু ইশোয় শোয়ব্রা? হূইগা-হৌদোংগা উনবদা নুংশিনা চামিন্নবা, লৈমিন্নবা খরসু লৈ। কাংখোং চাইবা হায়বসি মপুগা মনায়গা থাজনবগী চাং খম থেংনা মাঙখিবনা ওইহল্লিবনি। তৌফম খঙদদনা মনাক নকপদা তারম্বনা অপায়-অপায়বা থাজিন্নবগুম নেট থিংবগা লম্বী থিংবগনা খরা থুবা এক্সন ওইনা চত্থনখিবনি।

হৌজিক্কী ৱাথোক অসি কুমজা ১৯৮০দা ফমখিবা অপূনবা চীন-কুকি-জোগী মীফম অমগী ৱারেপনি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশনদা জালেঙমগী লিৎশিনফম লম্বী লৈ খনখি। লোইলম শন্দোকপনা মরমচৎ ওইরিবা নোংচুপ লৈবাকশিং অমদি মখোয়গী গোদ ফাদর ওইজরিবা অমেরিকানা লাইনীংগী মিংদা শেঞ্জাও থাদরগা টেররিজমবু লাইশোন ওইহল্লবা নোমেদিকশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নখি। লৈবাক অশোনবা অহুমদগী লাইনীং লোনচৎ শন্দোক্লগা তেনৱা মোইনা ওইহল্লবা মরম লৈজদবশিং পূনশিন্দুনা খৃষ্টিয়ান লৈবাক অমা শেম্নবগী চহী কয়া চঙনা শাগৎলকখিবা মঙগী ফলনি। ইন্দিয়ানা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা ওইজবা থিরুবদগী নৎত্রগা মীচং খোম্লুবদগী লাইবক্তা লৈতেংবীবা মাল্লগা খোঙপাক্না নেৎলম্বগী ৱানি। ইন্দিয়ানা পুকচেল শেংহৌদ্রবা নৎত্রগা তুংগী ফল নৈনহৌদ্রবদি চিক্কন নেক্তগী ইন্দিয়াগী ঙমখৈ পীকশিনখিবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরক্লি। ইন্দিজিনস অমদি নোমেদিক ত্রাইব হায়বা ষ্টেটস অনীসিগী অপূনবা নেশন অমা শেম্বা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা অমনি। মীকপ মীরাওখোলনা মবুক থন্নরগা, অশিবা মপৈ-মপৈনা শেন্দোং ওইনা য়েন্নগনি, লৈমায়দি লেঙদনা লৈহৌগনি। ঙমখৈগী মাঙজবনা ইন্দিয়াগী শরুক ওইরকপা য়াই।

হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবা মরু ওইবা থৌরাংদি লুচিংবা শেম্বনি। ঐখোয়গী মীয়াম্না অমম্বদা কোক থেঙ্গাইনরিবসি থৌনা ফবা, পুকচেল শেংবা, ওইজবা থিদবা, য়াম্না খঙবা লুচিংবা লৈতবদগীনি। মীখলদা খনবা লুচিংবদো নত্তে। য়েলহৌমী খুদিংগী মীয়াম্না য়ারবা, চং থোকপা লুচিংবশিংগী ফোরম অমা মথৌ তারে। অদুগুম্বা ইন্টলেকচুএল ফোরম অদুনা লমদমসিগী অচুম্বা পুৱারী ইহনগদবনি। খুন্দামিন্নরক্লিবা মীয়ামগী নুংশিনবদা য়ূম্ফম ওইবা পুৱারী অমদি খোঙথাং কয়াদা ইপা-ইপুশিংনা থেংনরিবা, মূক্নখিবা থৌদোকশিং ইহনবা তাই। করম্না ইন্দিয়ান ষ্টেট ওইখিবা মরীক চুম্না ইহনবা তাই। ফোরেন ফন্দিংনা ৱাত্তনা পৈখ্রবা নোংমৈ মরূগা লায়রবা মীয়াম্না খায়নরগা লৈবা নোংমৈ মরূগা লম্বা য়াগদবা নত্তে। লায়রবা মীয়াম্না খায়নরিবা লুপা খরদুনা ইন্টলেকচুএল ফোরম অদুদা থাদরবদি ঐখোয়গী অশেংবা ৱারী শিংবুলনা মালেমগী ‘লো’ দা খঙহনবা ঙমগনি। মালেমগী ‘লো’ নত্তনা ঐখোয়গী ঙমখৈ কনবীবা লৈত্রি।

অখঙবশিংবু অকি-অখং পীবা তোক্তুনা মীয়ামদা ৱাখল্লোন শন্দোকহনসি। ওনশিন্নবগী খোঙজং হোংদোক্লসি। ঙসি মীনা লাকচরিবসি ঐখোয় মশেল ওনশিন্নবগা লুচিংবা লৈতবগনা থোকহল্লিবনি। সেনাপতি (লিদর) য়াওদবা লাননা মায় পাকপা হৌনদে। লিদর শেম্বা হৈতনা অফবা লিদর লৈবা হৌনদে। ঐ লিদর ওইগে হায়বগী মহুৎতা ঐনা লিদর শেম্বদা হেন্না থৱায় য়াওনসি। মীনা ঙাঙবা য়াম্না তাসি। ডাক্তরনা শোয়বদা অনাবা অমখক শিখিবা য়াই। লুচিংবা অমনা শোয়রবদি লৈবাক অমা মুৎকনি। লুচিংবা হায়বসি ইমুং, লৈকায়, খুঙ্গং, ষ্টেট, লৈবাক, মালেম পূম্বগী চপ মান্নবা মগুণ অমখক্তনি। শেন্দোং তানবদা য়ূম্ফম ওইবা লৈঙাক্লোন লৈরিমখৈ নেট নৎত্রগা লম্বী হঞ্জিন-হঞ্জিন থিংলবসু মহৌশাগী ঈং-তপ্পদুদি ওইথোক্তবনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## এ এম এফ আই এম পি এগী ওফিসল টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস):**

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল হয়েংদগী থাসিগী ২৮ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্লগনি। গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৫শুবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া ২০২৪দা শরুক য়ানবগীদমক ঙসি ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিএশন (এ এম এফ আই এম পি এ)গী মীহুৎ কাংবু অমা গোৱাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মীহুৎ কাংবু অদুগী মরক্তা এ এম এফ আই এম পি এগী প্রসিদেন্ট আর কে চন্দ্রকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি প্রেমজিৎ নাওরোইবম, জোইন্ট সেক্রেটরি লৈশাংথেম রাজেশ, ত্রেজরর এলাংবম বরুন অমসুং ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কাংজম রোনেলচন্দ্রসু য়াওরি।

মীহুৎ কাংবু অসিনা মণিপুরী সিনেমাবু মালেমগী থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবা অমদি হেন্না মতীং লৈবা সিনেমাশিং পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি হায়রি। ফেষ্টিবেল অসিদা উৎকদৌরিবা মালেমগী সিনেমাশিং য়েংদুনা অমদি মণিপুরী সিনেমানা মালেমগী থাক্তা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা চৎলিবা খোঙচৎ অদু সোসল ৱার্কর ওইবতা নত্তনা মণিপুর সিনেমাগী প্রদ্যুসর অমসু ওইরিবা শিংজমৈ ওইনাম থিংঙৌলদগী ওইনাম রোমেননা স্পোন্সর তৌবনি।

হেন্না নুংঙাইবা অমনা হন্দক্কী ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়াদা ওফিসল সেলেক্সন ওইনা বেষ্ট দেব্যুট দিরেক্টর ওফ ইন্দিয়ান ফিচর ফিল্ম কেটিগরিদা লক্ষ্মীপ্রিয়াগী ‘বুং’ য়াওরকপা অসিসু মণিপুরগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি।

লমদম অসিদা আর্ট এন্দ কলচর অমা ওইবতা নত্তনা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইদুনা মীওই লিশিং কয়াগী হিংনবী লম্বী ওইরিবা মণিপুরী সিনেমা লৈঙাক্না য়োকখৎপীবগী মতম ওইরে হায়খি।

## এস কে এলগী লৈখিদ্রবা ফাউন্দর চ্যেরমেন এ কে জুগিন্দ্রোগী মীতম মায়খুম হাঙদোকখ্রে

**থৌবাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস):**

সলাইচা কনবা লুপ (এস কে এল)গী লৈখিদ্রবা ফাউন্দর চ্যেরমেন অকোইজম জুগিন্দ্রো এলিয়স সলাইচা কোকঙমগী মীতম অমা ঙসি লৈখিদ্রবা ওজা অসিগী লৈরোন চনখিবা মফম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী উখোংশাং মমাং চীংদা লৈবা সলাই ইকো টুরিজম পার্কতা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা মাইখুম হাংদোকখ্রে।

ওজা অসিনা মহাক্কী ফেসবুক পেজ দা কংলৈ মীয়ামগীদমক্তা লেপ্তুনা ইরম্বা কোটেশন কয়াবু খোমজিন্দুনা ইবা ‘শিদয়াই-নাদয়াই কলেক্সন’ কৌবা লাইরিক্কী অহানবা ভোলুম অমসু মায়খুম হাঙদোকপগা মরী লৈননা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

এস কে এলনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা ফাউন্দর চ্যেরমেনগী মীতম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এস কে এলগী চ্যেরমেন এল গোপাল, ফেদরেশন ওফ হাওমীগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনি, সেনিয়র সীটিজন মাইবম নোবো, য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুমলেম্বম মৈরাবা অমদি এস কে এলগী এদভাইজর সাপম শ্যামজাইনা অথোয়বা মীথুংশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সলাইচা য়ুথ লিগ (এস এ ৱাই ও এল)গী মেম্বরশিংনা গার্দ ওফ ওনর পীবগা লোয়ননা এস কে এলগী চ্যেরমেন এল গোপালনা মীতম অদুগী মাইখুম হাঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না লৈ শু কৎলবা মতুংদা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা



লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা ফেদরেশন ওফ হাওমীগী প্রসিদেন্ট সাপমজা জাদুমনিনা ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি মৈতৈখক্তনা থেংনবগী মহুত্তা মণিপুরদা লৈরিবা য়েক শলাই লৈবা ফুরুপ পুন্নমক পুনশিন্দুনা থেংনবগী তঙায়ফদবা মতম অদু লাক্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা কবুই অমদি মৈতৈ, চীংগী মফমদা খুন্দারিবা তাংখুল, মাও, মরাম, চিরু অমদি চোথেনচিংবা ফুরুপ ২৩ পুন্না য়েক শলাই লৈবা ফুরুপ ২৫ অসি পুনশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফেদরেশন ওফ হাওমীগা সলাই কনবা লুপকা অফবা মরী থমদুনা মণিপুরদা অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমনি হায়না লৈখিদ্রবা সলাইচা কোকঙম্সু শীংথাখি।

পনবা য়াই, ওজাগী শিনফমদা লৈদুনা মহৈরোয়শিংবু শেমগৎপদা মায়পুনরকখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৮দা সলাইচা কনবা লুপ লিংখৎতুনা সলাইচাশিংগী হক কন্নবা অমদি মণিপুরগী মনুং অমদি মপান্দা লৈরিবা সলাইচাশিংগী মরক্তা অচেৎপা লীপুন অমা শেমগৎননবা ‘পুন্দা পুনশি, ঙমদবা লৈরোই’ হায়বা মোটোদা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং, ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশনচিংবা মফম কয়াদা ঈগী খোঙ্গুল লীবিরম্বা লুচিংবা অমনি।

লুচিং পুরেল অসি মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিং পুরেলগী মীতমদা লৈ শু কৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না য়াৎলম্বা থৌদাং কয়াবু ঙসিগী মীরোলনা মপুং ফানা তুংইনবা ঙম্নবা লৈখিদ্রবগী মফম থৌনিখি।

## মণিপুরদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌওং আর এস এসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):**

মণিপুরদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবী থৌওং অসিবু রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্গহ (আর এস এস)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী থোক্লকখিবা ঈরাং অসিবু খুদক্তা ৱারোইশিন পুরক্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

আর এস এস মণিপুরনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা থা ১৯ শুজিল্লক্লবা ঈরাং অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। হন্দক্তা জিরিবামদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা অঙাং য়াওনা মীওই তরুক ফাখ্রগা নুংশি হৈতনা হাৎতোকখিবগী থৌদোকপু আর এস এস মণিপুরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌওং অদু য়াম্না পাঙদবা অমসুং মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদনি হায়না ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্না লমদম অসিদা থোক্লিবা উংখৎনবা খুদক্তা লোয়শিন্দুনা ঈং তপ্পা পুরক্নবা আর এস এসনা ফোঙদোরক্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১) **“মন্ত্রি জগোয় শারখিনি”** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“অপঙগী মিংশেল”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) "UNTIL THIS NIGHT ENDS" হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) **“অতোপ্পা মিংশেল”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **‘মমানা মচা ফূব্বু”** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।